# ১১ শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগতা এইম খাবম্না য়ু এস এ খুরাই মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৮ ঃ

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশন্না শিন্দুনা ইম্ফালগী মপান কাংজেবুংদা চথরিবা ১১ শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেচতা অনৌবা ইমাগী মঙাল (এইম) খাবম মায় পাকখিবগা লোয়ননা পোইন্ট তরুক ফংখ্রে।

লমদমসিগী মপাঙ্গল কল্লবা ফুটবোল টিম ১২ না শরুক য়াদুনা চথরক্লিবা ষ্টেট লীগ অসিগী ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা এইম খাবম্না য়ুনাইটেদ স্পোর্টস এসোসিএশন (য়ু এস এ) খুরাই গোল ২-০ দা মায়থীবা পীদুনা এইম মেচ অনীমক্তা মায় পাক্তুনা পোইন্ট তরুক ফংলগা চেম্পিয়নগী লমজেল য়াওখ্রে। মেচ মায়থীহৌরবা য়ু এস এ খুরাই মেচ অনীমক মায় পাকপা ঙমদনা লৈরি।



ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা এইম খাবম অমসুং য়ু এস এ খুরাই অনীগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংবা মান্ননা শান্নখিবনা টিম অমনা অমবু লাকশিনবদা ৰানখি।

মেচ অদুদা মায় পাল্লবা এইম খাবমগী হৈশিংলবা শান্নরোয়শিং অদুনা য়াম্না চেকশিন্না শান্নখিবনা টিমদুগী মায় পাকপগী গোল অমা মেচকী অহানবা হাফতা চনখি। অদুবু য়ু এস এগী শান্নরোয়শিংনসু থৌনা হনবা লৈতনা শান্নদুনা এইমগী মায়কৈদা গোল হনে দাক্লবগীদমক থেঙ্খাং কয়াদা এটেক তৌদুনা হোৎনখি অদুবু য়ু এস এনা মেচ অদুদা গোল অমত্তা চনবা ঙমদবদগী এইমগী মখুৎতা মায়থীখি।

মেচ অদুদা এইম খাবমগী গোল অদু টিমদুগী য়াম্না মরু ওইবা শান্নরোয় এন জেমসনা গোল পোষ্ট তম্না পুশিল্লকপা বোল অমা য়ু এস এগী শান্নরোয় টি ঐচ বিকেসনা ফাউল তৌরুবগীদমক রেফ্রিনা পেনালটি অমা পীখিবগা লোয়ননা য়ু এস এগী টি ঐচ বিকেসতা য়েলো কার্দ অমা মেচকী ১৩ শুবা মিনিটতা বুক তৌখি।

মেচ অদুদা এইমনা গোল একাউন্ট হেক হাংদোকখিবগা গোল শোখরিবা য়ু এস এ খুরাইগী শান্নরোয়শিংনা গোল হন্দোক্লবগীদমক য়াম্না কন্না হোৎনখি। অদুবু গোল মাঙজিল থারিবা এইমগী মমিং লৈরবা শান্নরোয় দল্লিয়ু তোম্বনা ফ্রি কিক অমা য়াম্না হৈশিংনা মেচকী ১৯ শুবা মিনিটতা কাওরকখি। দল্লিয়ু তোম্বনা কাওরকখিবা ফ্রি কিক অদু মহাক্কী টিম মেট দল্লিয়ু অঙৌস্নাগী ফজরবা হেদ্দিং অমদা টিমদুগী অনীশুবা গোল চনখি।

এইম খাবম্না গোল অনী থংনা থংননা চন্দুনা লৈখ্রবা মতুং গোল শোখরিবা য়ু এস এ খুরাইগী শান্নরোয়শিংনা গোল হন্দোক্লবগীদমক য়াম্না কন্না শান্নখি। অদুবু মেচ অদুগী অপীবা মতম ফাওবদা য়ু এস এ খুরাইনা গোল অমত্তা চনবা ঙমদবদগী এইম খাবমগী মখুৎতা গোল ০-২ দা মায়থীখি।

মেচ অদুদা মায়থীহৌরবা য়ু এস এ খুরাইগী শান্নরোয় টি ঐচ বিকাস মেচকী ১৩ শুবা মিনিটতা অদুগা কে ঐচ জেকি মেচকী ৪৩ শুবা মিনিটতা রেফ্রিনা য়েলো কার্দ অমমম বুক তৌখি।

চথরিবা মণিপুর ষ্টেট লীগ অসিগী হয়েংগী মেচ নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা এফ সি জালেন অমসুং য়ঙ ফিজিক য়ুনিয়ন ললাম্বুং অনীনা শান্নরগনি। থা অসিগী ১০ গী নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদনা এস এস য়ু শিংজমৈ অমসুং ক্লাসা কৈনৌ অনীনা শান্নরগনি। থা অসিগী ১১ গী নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদনা ক্রুগপু নম্বোল অমসুং ত্রাও ক্বাকৈথেলগা শান্নগনি।

# চান্দেল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগতা চেঞ্জু ফুটবোল ক্লব অমসুং লিৱা সরাই য়ুথ ক্লব মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৮ ঃ দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএশন (দি এস এ) চান্দেলনা শিন্দুনা হৌখিবা ওগষ্ট ১৮ দগী টিম তরানা গ্রুপ অনীদা শরুক য়াদুনা লিৱা সরাই ফুটবোল গ্রাউন্দদা চথরিবা ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা চেঞ্জু ফুটবোল ক্লব (সি এফ সি) অমসুং লিৱা সরাই য়ুথ ক্লব (এল এস ৱাই সি) মায় পাকখ্রে।



ফার্ষ্ট দিভিজন লীগ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা চেঞ্জু ফুটবোল ক্লব (সি এফ সি) না পরাওলোন য়ুথ ক্লব (পি ৱাই সি) গোল ২-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুদা মায় পাল্লবা চেঞ্জু ফুটবোল ক্লবকী শান্নরোয়শিংনা মেচকী অঙনবা মতমদগী হৌনা য়াম্না কোওর্দিনেশন লৈনা শান্নদুনা ওপোনেন্ট টিমগী মায়কৈদা অকনবা এটেক কয়া চথখি।

মেচ অদুগী য়াম্না ঙল্লিঙৈ মরিশুবা মিনিটতা চেঞ্জু ফুটবোল ক্লবকী পি এস কনখুনা গোল একাউন্ট হাংদোক্তুনা টিমগী মায় পাক্লবগী লম্বী শেমখি।

চেঞ্জু ফুটবোল ক্লবনা মেচকী অহানবা হাফ ফাওবদা গোল অমা মাঙজিল থানা লৈখ্রবা মতুং মেচকী হাফ মতুংদসু চেঞ্জু ফুটবোল ক্লবকী শান্নরোয়শিংনা টিমগী অহেনবা গোল চন্নবগীদমক য়াম্না কন্না শান্নরকখি।

মেচ অদুগী ৭৭ শুবা মিনিটতা চেঞ্জু ফুটবোল ক্লবকী শান্নরোয় টি এস অলফানা টিমদুগী অনীশুবা গোল চনখি। মেচ অদুদা চেঞ্জু ফুটবোল ক্লবকী টি এস অলফা মেচকী ৫৫ শুবা মিনিটতা রেফ্রিনা য়েলো কার্দ অমা বুক তৌখি। মেচ মায়থীহৌরবা পরাওলোন য়ুথ ক্লবকী শান্নরোয় দি রোবিনঙম মেচকী ৭২ শুবা মিনিটতা রেফ্রিনা য়েলো কার্দ অমা বুক তৌখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা লিৱা সরাই য়ুথ ক্লব (এল এস ৱাই সি) না জেদ এস ৱাই সি গোল ৩-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা চাউনা মায় পাল্লবা লিৱা সরাই য়ুথ ক্লবকী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না কোওর্দিনেশন লৈনা শান্নদুনা টিমদুগী গোল অহুম্মক থংনা থংননা চনশিনখি।

মেচ অদুদা লিৱা সরাই য়ুথ ক্লবকী য়াম্না মরু ওইবা শান্নরোয় আর মিটকেলনা গোল অনী মেচকী ৪৫ অমসুং ৫০ শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী অহুমশুবা গোল এস ঐচ নম্ফাসিংনা মেচকী ৫৬ শুবা মিনিটতা চনখি। মেচ অদুদা জেদ এস ৱাই সিনা গোল অমত্তা চনবা ঙমখিদে।

মেচ অদুদা লিৱা সরাই য়ুথ ক্লবকী শান্নরোয় এস ঐচ চিংমিশো মেচকী ২৮ শুবা মিনিটতা, টিমদুগী শান্নরোয় টি ঐচ কোনিংৱার মেচকী ৫৭ শুবা মিনিটতা অদুগা আর মিটকেল মেচকী ৬৪ শুবা মিনিটতা রেফ্রিনা য়েলো কার্দ অমমম তোঙান তোঙানবা মিনিটতা বুক তৌখি।

মেচ অদুদা লিৱা সরাই য়ুথ ক্লবকী অহানবা গোল চনখ্রবা মতুং ইকান কান্নদনা মেচকী ৪৮ শুবা মিনিটতা জেদ এস ৱাই সিগী শান্নরোয় জেতিনহোইদা রেফ্রিনা রেদ কার্দ বুক তৌদুনা মেচতগী তাম্থোকখি।

মেচ অদুদা জেদ এস ৱাই সিগী শান্নরোয় জেতিনহোই তাম্থোকখিবদগী টিম অসিদা শান্নরোয় অমা ৱাৎনা শান্নরকখিবনা লিৱা সরাই য়ুথ ক্লবকী শান্নরোয়শিংনা গোল মথং মথং চনবগী খুদোংচাবা চাউনা ফংখিবা মরম্না মেচ অদুদা লিৱা সরাই য়ুথ ক্লবনা চাউনা মায় পাকপা ঙমখিবগী অচৌবা লম্বী অমা ওইখি।

হয়েং মফম অসিমক্তুদা সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগকী অহানবা মেচ নুংথিল পুং ১২.৩০ তাবা মতমদা এস এফ সি অমসুং ঐচ ৱাই সিগা শান্নগনি। অনীশুবা মেচ নুংথিল পুং ২.৩০ তাবা মতমদা য়ু এল এফ সি অমসুং কে দি সিগা শান্নগনি।

# ইম্ফাল ৱেষ্ট সুপর দিভিজন লীগতা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব অমসুং দি এম রাও অৱাং সেকমাই মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৮ ঃ

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন্না শিন্দুনা অৱাং সেকমাইদা লৈবা এস কে ৱাই সিগী গ্রাউন্দদা টিম নিপাননা শরুক য়াদুনা চথরিবা ১৭ শুবা এস বিরেন্দ্র সিংহ মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (এম পি এস সি) অমসুং দি এম রাও অৱাং সেকমাই মায় পাকখ্রে।

সুপর দিভিজন লীগ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (এম পি এস সি) না এস কে ৱাই সি অৱাং সেকমাই গোল ২-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুদা টিম অনীমক্না মেচকী অঙনবা মতমদা য়াম্না হৈশিংবা মান্ননা শান্নখিবনা অমনা অমবু লাকশিনবদা ৱানখি। এক্সপরিএন্স লৈরবা শান্নরোয় কয়ানা নম্না য়াওরবা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবকী শান্নরোয় খেম বহাদুরনা মেচকী ৪৭ শুবা মিনিটতা গোল একাউন্ট হাংদোকখি।

মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবনা গোল অমা মাঙজিল থাদুনা টিমগী মায় পাক্লবগী লম্বী শেমখ্রবদা গোল শোখরিবা এস কে ৱাই সি অৱাং সেকমাইগী শান্নরোয়শিংনা গোল হন্দোক্লবগীদমক য়াম্না কন্না শান্নরকখি। অদুবু এস কে ৱাই সিগী শান্নরোয়শিংগী মরক্তা কোওর্দিনেশন ৱাৎখিবা মরম্না মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবকী শান্নরোয়শিংনা লেপ্পা লৈতনা অকনবা এটেক কয়া চথরকখি।

মেচ অদুগী ৫৭ শুবা মিনিটতা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবকী য়াম্না মমিং লৈরবা শান্নরোয় কে এস ঐচ কান্তনা টিমদুগী অনীশুবা গোল চনখি। মেচ অদুদা মায় পাল্লবা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবকী ও সোমোরেন্দ্রো মেচকী ১০ শুবা মিনিটতা অদুগা এল অবোথোই মেচকী ৬১ শুবা মিনিটতা রেফ্রি এল অজিৎনা য়েলো কার্দ অমমম বুক তৌখি।

মেচ অদুদা গোল অমত্তা চনবা ঙমদনা মায়থীহৌরবা এস কে ৱাই সি অৱাং সেকমাইগী শান্নরোয় ৱাই রোনাল্ডো মেচকী ২৯ শুবা মিনিটতা রেফ্রিনা য়েলো কার্দ অমা বুক তৌখি।

অনীশুবা মেচতা দি এম রাও অৱাং সেকমাইনা থাউ থাংমৈবন্দ গোল ৪-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুদা চাউনা মায় পাল্লবা দি এম রাও অৱাং সেকমাইগী শান্নরোয়শিংনা মেচকী অঙনবা মতমদগী হৌনা য়াম্না মিকুপ নাহুমশিংনা শান্নদুনা থাউগী মায়কৈদা অকনবা এটেক কয়া লেপ্পা লৈতনা চথখি।

দি এম রাও অৱাং সেকমাইগী শান্নরোয়শিংনা মেচকী অঙনবা মতমদগী হৌনা য়াম্না কোওর্দিনেশন লৈনা শান্নদুনা থাউ থাংমৈবন্দগী মায়কৈদা গোল চন্নবা এটেক চথরকপা হৌখি।

মেচ অদুগী ১৯ শুবা মিনিটতা দি এম রাও অৱাং সেকমাইগী শান্নরোয় ওজিৎনা গোল একাউন্ট হাংদোক্তুনা টিমগী মায় পাক্লবগী লম্বী শেমখি। গোল শোখরিবা থাউ থাংমৈবন্দগী শান্নরোয়শিংনা গোল হন্দোক্লবা হোৎনরিঙৈ ইখঙ খঙহৌদনা মেচকী ৩৮ শুবা মিনিটতা দি এম রাওগী শান্নরোয় থাংজোইহেন্না টিমগী অনীশুবা গোল চনখি।

দি এম রাওনা গোল অনী থংনা থংননা চনখ্রবসু টিমদুগী শান্নরোয় সুরেসনা গোল অনী থংনা থংননা মেচকী ৫২ অমসুং ৬১ শুবা মিনিটতা চন্দুনা টিমদুগী গোল ৪ শুখি।

মেচ অদুদা মায়থীহৌরবা থাউ থাংমৈবন্দগী শান্নরোয় জেমস মেচকী ৩১ শুবা মিনিটতা, ইনাও মেচকী ৬০ শুবা মিনিটতা রেফ্রিনা য়েলো কার্দ অমমম বুক তৌখি। মেচ মায় পাল্লবা দি এম রাও অৱাং সেকমাইগী ঙরাকতুং মেচকী ৩৮ শুবা মিনিটতা রেফ্রিনা য়েলো কার্দ অমা বুক তৌখি।

সুপর দিভিজন লীগ অসিগী মথংগী মেচ থা অসিগী ১০ গী নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা ৱাই দল্লিয়ু সি মালোম অমসুং বি এম এস সি তাওবুংখোক অনীনা শান্নগনি। অনীশুবা মেচ নুংথিল পুং ৩.১৫ তাবা মতমদা ৱাই দি ও নম্বোল কোঞ্জেং লৈকায় অমসুং এস কে ৱাই সি অৱাং সেকমাইগা শান্নগনি।

হয়েং মফম অসিমক্তুদা ফার্ষ্ট দিভিজন লীগকী অহানবা মেচ ওইনা ৱাফা ৱাঙ্গোই অমসুং সি আর পি এফ অনীনা নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা শান্নগনি। অনীশুবা মেচ নুংথিল পুং ৩.১৫ তাবা মতমদা সাই আর সি তাকয়েল অমসুং এন সি ক্লব খোঙহাম্পাৎকা শান্নগনি।

# ইষ্ট জোন ইন্টর য়ুনিভর্সিটি চেছ টুর্নামেন্টতা শরুক য়াগদবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৮ ঃ চহীসিগী ওক্তোবর ৯ দগী ১২ ফাওবা কে আই আই টি ভুবনেশ্বরদা পাঙথোক্কদৌরিবা নুপা অমসুং নুপীগী ইষ্ট জোন ইন্টর য়ুনিভর্সিটি চেছ টুর্নামেন্ট ২০১৬-১৭ তা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারুগদবা নুপা অমসুং নুপী চেছ শান্নরোয়শিং খনখ্রে।

খল্লবা শান্নরোয়শিংদি নুপাগী কাঙলুপ্তা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদগী এল পিটর, এল এম এস এল সিদগী ৱাই প্রিটম কুমার, এম বি সিদগী কে পোইরৈখোম্বা, দি এম সাইন্সতগী ঈ আনন্দ, দি এম কম্মর্সতগী এন জি ভাগিরৎ অমসুং এম বি সিদগী কে ঐচ রমানন্দনি।

নুপীগী কাঙলুপ্তা খল্লবশিংদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদগী আর কে বিদ্যালক্স্মি, এম আই টিদগী এস ইলিজাবেথ, দি এম সাইন্সতগী বিন্দি অথোকপম অমসুং কে ঐচ রঞ্জনা, মোর্দন কোলেজদগী রবিনা লোইতোংবম অমদি জি পি ৱিমেন’স কোলেজদগী প্রিয়াঙ্কা দেবীনি। খল্লবা শান্নরোয়শিংনা থা অসিগী ২০ গী অয়ুক পুং ১১ তাবা মতমদা মখা তাবা কোচিংগীদমক্তা এম য়ুগী এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর ওফ স্পোর্টসতা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়রি।




HL-B/3217/2/7-12/8(alt.)

# সেনিয়র এসিয়ন ৱুশু চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়ারুবা অমদি মেদল লৌরক্লবা মণিপুরগী শান্নরোয়শিং ওকখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৮ ঃ হৌখিবা সেপ্টেম্বর ১ দগী টাইৱান (চাইনিজ টাইপৈ) দা পাঙথোকখিবা ৯ শুবা সেনিয়র এসিয়ন ৱুশু চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ তা শরুক য়াখিবা অমদি মেদল লৌরক্লবা শান্নরোয়শিং তরাম্না ওকখ্রে।

চেম্পিয়নশিপ অদুদা শরুক য়ারুবা মণিপুরদগী কোচ অমা য়াওনা শান্নরোয়শিংনা ঙসি ইম্ফাল ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা হেক থুংলবগা ৱুশু এসোসিএশন ওফ মণিপুর অমদি শান্নরোয়শিংগী মমা মপাশিং অমদি মীয়াম পূন্না হরাও তরাম্না ওকখ্রে।

চেম্পিয়নশিপ অদুদা মণিপুরগী এল বুধচন্দ্রনা কেজি ৫৬ কী কাঙলুপ্তা শিলভর মেদল লৌখি অদুগা কে অরুনপমানা কেজি ৬০ গী কাঙলুপ্তা শিলভর মেদল লৌখি। মণিপুরগী ৱাই সনাথোই দেবীনা কেজি ৫২ গী কাঙলুপ্তা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।


চেম্পিয়নশিপ অদুদা ৱাই সনাথোই দেবীনা ভিয়েটনামগী মখূৎতা মায়থীদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংহৌখি। শিলভর মেদল ফংখ্রবা মণিপুরগী শান্নরোয় কে অরুনপমা দেবীনা সেমী ফাইনেলদা হোংকোংবু মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি। এল বুধচন্দ্রনা ফাইনেলদা ভিয়েটনামগী মখূৎতা মায়থীদুনা শিলভর মেদল ফংহৌখি।

চেম্পিয়নশিপ অদুদা ইন্দিয়ন টিমগী ওইনা পূন্না শান্নরোয় ২০ অমদি কোচ মরিনা শরুক য়াখিবদা মণিপুরদগী শান্নরোয় ৯ য়াওখিবনি।




HL-B/3305/8/9-7/10




Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com